ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৩৫শুবা মশীং

# চীংদা কোভিদ ভেক্সিনেসন

## মঙম শান্দ্রিবা করিগীনো

নবেম্বর ১৬, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২০,৭৬,০১২ শুখ্রে। মশীংসি য়াম্লে, অদুবু মসিনা অপূনবগী ওইবা মশীংগী ৱানি। য়াম্লে হায়রিবা মশীংসিগী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজগী হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৬৪,৫২২নি অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপ্লবশিংনা ৪,১১,৪৯০ খক্তনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা ফীভম্না মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগা য়েক্লবা ওইরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি মরূ ফংনা মুত্থৎপা ঙম্বা হীদাক পুথোক্ত্রি, লৈত্রি। তমথীরবা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্তুনা থৱায় কলহৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনা হীদাক কাপথোকপসি খক্তংনা ওইরি। কোভিদ ভেক্সিন অহানবা দোজ কাপথোক্লবসু নৎত্রগা দোজ অনীমক শুনা কাপ্লবসু পোজিটিভ ওইরকপা য়াওদবদি নত্তে। অদুগা পোজিটিভ ওইরক্লবা মতুংদা কো-মোর্বিদিটিজ থোকহল্লক্লগা দোজ অমখক্তা কাপ্লবসু নৎত্রগা অনীমক শুনা কাপ্লবসু কনবা ঙমহৌদনা শিবা য়াওরিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগীদি ভেক্সিনেসন তৌবনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরিবনা থবকসিদা মায় ওনশিন্দুনা হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীওই পূম্নমক শুনা হীদাক কাপথোক্লবা অকনবা থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি। হৌজিক খ্বাইদগী ইকোন কোনবা থৌরাং ওইনা কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেস ভেহিকলশিং ফাওবা পুল্লপ-পুল্লপ লমথাদুনা য়ূমথোঙ খুদিংদা চৎতুনা হীদাক কাপথোকপগী থবকশিং চত্থরক্লিবনি। য়াম্না অফবা থবকনি। তৌফম থোকপা, তৌদবা য়াদ্রবনি। থবকসি লেপ্তুনা চত্থরকপনা নবেম্বর ১৬, ২০২১ ফাওবদা ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দোজ পুনশিল্লগা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌথোক্লবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং ২০,৭৬,০১২ শুবা ঙম্লক্লিবনি।

অদুবু মশীংসি য়াম্লে হায়রগসু থবকসি পেন্থোকপা য়ারবা, পূক্নিং লূম্বা ফীভম অমদি ওইদ্রিবনি। মরমদি নুমিৎসি ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং চাদা ৫৪.০২ খক্তা ঙাইরিবনি। অদুগা সেকেন্দ দোজগীনা চাদা ৩৪.৬৬ খক্তমক ওইরিবনি। ওইরিবা ফীভমসিদি বম্বুলা মৈনা চুরম্নগা নাকোং অনী মেনশিন্দুনা শুগৎলুরগা বাং লাউনা পোকখায়রকপগী মহুত্তা শুরু-শুরুদা লোইশিনখিবগী মওংনি। মসিদি চুমদে, তৌহন্নীংদে। লৈবাক অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ক্রোর অমা হেন্না কাপথোকপা ঙম্লে হায়দুনা খূবাক খূদুনা হরাওবা ফোঙদোক্লুবদু ঐখোয় শ্বাইগী ওইরিবা ফীভমসিদদি চুশিন্নৌ হায়বা য়াদ্রি। ষ্টেট অপূনবগী ওইনা য়েংবদা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজশিং মথংশিৎনা চাদা ৫৪.০২ অমসুং ৩৪.৬৬ খক্তমক কাপথোকপা ঙম্লিবসিগী মনুংদা নুংতিগী পোজিটিভ কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফাওবা অহানবা দোজনা চাদা ৭০.৬০ খক্তমক কাপ্লি। অনীশুবা দোজনা শুপ্নতগী চাদা ৪৪.৭৩ খক্তমক কাপ্লি। মসিগী মথংদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী খজিক্তমক হেল্লবসু নবেম্বর ১৬, ২০২১ ফাওবদা ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দোজশিং কাপ্পগী চাং মথংশিৎনা বিষ্ণুপুরগী ৬৬.১৪ অমদি ৩৯.২৫, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকীনা ৫৫.৯৪ অমসুং ২৭.১৮ খক্তমক ওইরি। ওইরিবা, য়ৌবা ঙম্লিবা চাং অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট খরগা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরখক্কী ৱানি। অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা কাংপোকপীনা খ্বাইদগী নেম্না নুমিৎসি ফাওবদা অহানবা দোজ চাদা ১৭.৭২ অমসুং অনীশুবা দোজনা চাদা ১০.১৬ খক্তমক হীদাক কাপথোক্লি। দিষ্ট্রিক্টসি খক্তা নত্তনা উখ্রুল অমসুং কামজোংনা চাদা ৩০গী মখাদা লৈরগা ফেরজোল, নোনে অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টনা চাদা ৪০গী মখাদা লৈরি। ওইহল্লিবা থৌওংসিদি চুমদে, অসুম্মাইনা ওইহনফম থোক্তে। পেন্দমিক অসিদি চীং-তম খায়বা নত্তে। মীওইবা পূম্নমক্তা মায়োক্নহল্লিবা খুদোংথীবনি। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক্না 'গো টু হিলস' কি অহানবা তাঙ্কক লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা প্রোগ্রামসিগী ২.০গী থৌরমশিং চত্থরক্লিবনি। চীং-তম থোং মান্ননা চাওখৎলগা মণিপুর চাওখৎপা কৌগদৌরিবনি হায়বা ৱাফম তৎতনা ফোঙদোক্লিবনি। লৈঙাক্না পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং চীং অমসুং তমগী য়ূমথোঙ খুদিংদা ফংহনগনি হায়দুনা অকনবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবনি। অদুবু লায়নাসিনা মরম ওইদুনা শিহনবা মীওইশিংগী মশীং ২০০০ য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক মঙম শান্দনা লৈহনবা চুমদে। প্রপ-প্রপ চাদা ১০০ য়ৌনবা কাপথোকউ। লৈঙাক্না লৌখৎপা কান্নবা স্কিমশিং য়ূমথোঙ খুদিংদা থিনবা চৎপদা য়ূম্বু লৈরম্মোইকো।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১) *''হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।''* পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **''চফূন কায়রবদি''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **''নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।''** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) *''ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) *''মোহনদাস''* হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুগী দ্রো ওৎত্রগা লাইবক ফংবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোন্না ফবা ওইনদুম পামজৈ

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

হান্না ফবা পামজদ্রে। হান্না ফবা ময়াম থেংনজখ্রে। নুপা খঙদে নুপী খঙদে, অঙাং, লৈশাবী, পাখং লোইনমক হান্না ফবা-ফবী ঙাক্তনি। হান্না ফত্তবা কনা অমত্তা লৈবা নত্তে। হৌরকপদা, পোক্লকপদা লোইনা ফনা পোক্লকপা ঙাক্তনি। কোন্না হিংচানরকপা, হিংচানরকপী ঙাক্তনি।



হান্না ফরম্বগী মনুং চন্না অমখক লৌখৎচরবদা ঐখোয় লৈকায়গী ইনাও বীরচন্দ্রসু অমসুনি। লাইরিক য়াম্না ফনা হৌরকই। ক্লাস টেন পরিক্ষাদা পোজিসন লেপ্লকই। উনবদা মোমোন মোমোন নোকই। মীকৌ মীরম ফজৈ। মমায়ফাও হঙ্গৎনা য়েংজবা ঙম্বা মী ওইদে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদে। হোৎনবা কল্লি। ঙাইহাক্তা পোত্থাদে। ঙাওশিন্নবা মী নত্তে। লৈকায়না ঙাঙনৈ। মাগী মতৌ তম্মু, মতৌ তম্মু হায়না হায়নৈ। লৈঙাক্কী থবক অমা ফংখি। তোলোপ চাউনা চাবা। মাগী নুপীসু তোলোপ চাউনা চাবী থবক চাউনা তৌবীনি। মখোয় থবক তৌবা মশেল লৌনবনি। মখোয়মুক নুংঙাইবা মী লৈত্রে হায়বা য়ারে। হৌজিক্তি নোল্লুকপা লৈখিদ্রে। মোমোন মোমোন নোক্লম্বা অদুসু লৈত্রে। মী খুদিংবু মীনাইদৌনা উবা হৌরে। মীঙোন্দা থীনা থীনা ঙাঙবা হৈরে, ৱা চাউনা চাউনা পোকখায়রগা ঙাঙলে। মমায় হাইগৎ হাইগৎলগা চৎলে, চাক মহী থক থক্তুনা লাক্লগা মীঙোন্দা খৎনবা হৌরে। মসিবু হান্না ফবা, কোন্না হিংচারকপা হায়বা অদুগী মনুং চল্লোইদজাৎলা? হান্না তকখত্তনা ফরমখ্রবা বীরচন্দ্র হৌজিক্তি মীয়াম্না ইকায়খুম্নদবা মী ওইরে, ইকায়বা পোকপা মী অমা ওইরে। শেল চাবদা, শক তাখৎপদা মাগী লম্বা পাবীনবা মী লৈতে হায়নরে। মসিনি হান্না ফরম্মগা কোন্না হিংচা য়াইতল্লকপগী থৌদোক।

হান্না য়াম্না ঙাওশিন্নরম্বা হৌজিক্লা পুরা মানা হান্না তৌরম্বদুগা মনীং মমাঙ পুরা পুরি ওন্থোক্লরবা নুপা অমসু লৈ। মমিংদি পল্লরোই, পাউচেগী ঐগী কলম পাবা মীনা মঙোন্দা অমুক হায়দোক্লুদুনা ঐঙোন্দা অমুক ইকায়বা পীশিল্লকপা য়াই। হান্নদি নুপীগী মকোক্তা নেৎলগা মশম ফোয়রম্বা নুপা অমনি। মাগী মখূৎতা নুপী অঙাং ময়াম অমসু হাৎখ্রবা নুপা অমনি। মানা গুন্দা থাজিল-থাজিল্লগা মী কয়া ফূধখ্রবনি, হাৎখ্রবনি। হৌজিক্তি পুরা নুপীদৌনা ঈং তপখ্রে। য়াম্না জ্ঞান তাবা মীশক অমা ওইখ্রে। মহাক হৌজিক ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নখিদ্রে। মী খৎনখিদ্রে। মাগী নুপী লুনা তৌবীরে। য়ূমগী থবক ইনখাং ফজনা শুরে। মসিনি চাউরাক্না কোন্না ফরকপগী শক্তম।

ঐদি শুম শুপচিন্না হেক থমজৌ হায়বিরবদি, হান্না ফরম্মগা কোন্না হিংচারকপা মীগা, হান্না হিংচারক্লগা কোন্না অফবা ওইরকপা মীগা অনীসি কোন্না ফরকপা মী অদু ওইনা পামজৈ। মীওইবনা য়াম্না দিমান্দ লৈরিবা তম্বা নুপাদি মদুগুম্বা নুপা অদুনি।

মীখল মমাঙ অসিদা কেন্দিদেট কয়া অমনা মীখল তিংখত্তনা খোম্নরি। মীঙোন্দা পেলহন্নবা তৌবা য়াবা তৌরি। ঙাঙবা য়াবা ঙাঙলি। মাগা লোয়নবা মরোই মনাও কয়ানা মাবু থাগৎশিন্দুনা অমুক হেন্না ফবসু মালহন্নরি। পাউচেদা মাগী মাগী অফবা অদু হাপ্নরি, ইনরি। খ্বাইদগী তাঙলবা তাঙদৈ তাঙলবা অফবা মীনি হায়বদু উৎনবা হোৎনরি। মীরেপ ওইদ্রিঙৈ মমাঙ মমাঙ, মীহুৎ ওইনা কাদুনা লৈরিঙৈ মনুংদা অফবা থবক কয়া তৌরম্মী হায়না হায়নরি। হায়বিহল্লি। লাউহল্লি। অফবনি হায়নবা লাক্লনরি। মদুদা মীয়াম্না থাজবা থাজদবা হায়বদুনা অমা ওইনা লৈখ্রগা। অদুবু ৱাখল তোঙান্না খনবা মীওইশিংনদি হান্না ফবা কেন্দিদেট পামদে, কোন্না ফবা মীরেপ ওইনা পাম্মী হায়রক্কনি। মীরেপ অদু হান্নগীদি লুটর, রেপিষ্ট, গুন্দা, মী হাৎপা, তাকু তাকাটি ওইসনু কোন্নবু ফবিগে হায়রদি কৈসু কায়দে। হান্না ফৈ ফৈ হায়দনা হায়রগা কোন্না ঐনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মীশকশিং অসি অমুক ওইখৎলক্লবদি থাদজরুরিবা ভোট অদু ঐবু ফূবীনবা চৈ ঐনা খঞ্জবগা চপ হেক্তা মান্নদৌরি। করম্লো লৈবাক মচাশা? ঐদি হান্না ফবা মী পামদ্রে, হান্না ফবা মীনা অফবা মী সুম ওইদুনা লৈনি হায়বসিদি ঐ থাজবা শুকঙম হেক ঙম্মোইদৌরে। কোন্না ফগে হায়দনা ইমা কম্বি ঙৌ চা শিগে হায়না হেক্তা ৱাশকউসে। ঐ ভোট হেক্তমক থাদজগে হরাউ হরাউ! মীনম্মকপা তোয়মল্লক্তনা কনামত্তনা হায়বা থাজবা ঙমদ্রে ঐ। কোন্না ফগে হায়না ৱাশকপা ঙমগদবা মীসু লোইনমক ওইরক্কনি। মসিমসু লুরি।

অমরোমদা অফবা মীনি হায়দনা কনানা রেকমেন্দ তৌদৌরি? মদুম্মক তৌরগনা কোন্না ফবা মীদি ওইগদ্রা? কোন্না ফবা ঙমগদবা মীনা কনা কনানা ওইদৌরিবা? হান্না ফৈ হায়বদুদি পামদ্রে, হান্নসু ফবা কোন্নসু ফবা ঙম্বীগদবা ওইরগদি মফৈ।

ভোট থাদফমসু খঙলোইদৌরি? ঐনা গুলাপ মার্কাদা ভোট থাদরুনি, নোং ঙানফাৎত্রিঙৈ হঙোই ওন্দুনা নুমিৎলৈ মার্কা ওল্লম্মী। দেল্লীদা পানবদা অদুম চৎখিনি। লুরিবদি কোন্না ফবা মীনি। কোন্না ফবা মী।! ●

# কোক ফাইটিংলা বুল ফাইটলা

**নবকুমার ওইনা**

ভোট মমাঙগী লীলা ময়ামসিদি গৌড়া লীলানা, রাস লীলানা কৈদৌরুনি, নুপীনবু লাই অমা য়াওই। য়েন্নাও কাওনবা মানবসু য়াওই, অওইতান্না শেল থানরগা কাওনবসু য়াওবা মাল্লকই। টি ভিদা, রেদিওদা ৱায়নবসি মমৈদদি কাওনা অমুক ইন, ষণনা অমুক ইন, খম্বা য়াওরক্তবগী ৱাদু লাক্কদৌরি। কাগদৌবা মানবা খনফম খঙলক্তে, ভোট থাদফম খঙলোইদৌরি। মমাঙদদি ফবা-ফত্তবা খঙদে কাগদৌবা মানবা অমদা হেক্তা পীশিনবনি, কাবসু য়াওখ্রবনি।

ভোট পীনরিসি কাগদৌবা মানবদা পীনবনি হায়বনা য়াম্মী। অফবা খনফম খঙবা নত্তে, লোইনমক ফৈ, ঐগী কান্নগদৌবা মীদু খল্লগা পীবনি। শেলসু য়ৌরক্তে, কনা অমত্তনা হায়বসু লাকখিদে। পূক্নিংদি খরা নুংশিখি, পূক্নিংদদি চাওথোকচবসু পোকচৈ অসিনিদনা ভোট পীবা হায়বদু। তৌবগীদি ঐখোয় খরদি পার্টি অমগী অদুম মানবজাৎনি। তশেংবদি ঐখোয়দি পার্টি অমত্তদা য়াওদে, য়াওফম খঙদে ভোট লেপকদৌবসু নত্তে, খোম্বা চৎকদৌবসু লৈতে। ঐগী মীদুনা হেক চোংবগা চোংগদৌবা লৈরবনিনা ঐদি পার্টি য়াওদ্রসু য়ারি। থায়না হায়ববু য়ারে ঐদি মিং চনখিবদু মিংজনশেলদু সিকি পীরিঙৈদনি। রিন্যু তৌদ্রবদি পার্টি হোংখ্রবোই নীংলম্বসু য়াই, ঐতনা হোংলক্তবনি, ইন্দিয়ান দেমোক্রেসি হায়রবদি হোংদোক হোংজিন তৌবসি ওইনা লৌবসু লৈ নৎত্রগসু পার্টি অমা মওং তাবমখৈ থুগাইবসু য়াওনরিবনি। পার্টি য়াম্বা হায়বসি কোক ফাইটিং মানবা তাবনি, বাই পার্টি ওইরগনা বুল ফাইট তৌবা মানবা, তোংবা ঙম্লবসু লংথরগা মচিনা হনবা ঙম্বা তান্নরিবনি। ভোট কাবা লুবা নত্তে, অমনা কারে হায়বদু অমনা শিনবা ময়াম য়াওরক্লবনি। ঐখোয় শ্বাইদা ঙম্নরিবশিংসি মালেমগী মফম অতৈদা ঙম্নবা নত্তে। অশেংবগী অতৈ লৈবাক্কী ৱাদু মৱা লৌবিবা নত্তে। দেমোক্রেসি হৌদোক্লিবা বৃটিশ মচা ফাওবা থোক হাত্তোকপা ঙম্লকইবনি। থৌনাদুবু হায়রিবা, ৱারেপ্না কোন্না লৌবা মাল্লকপদুনি। হৌজিকসু মঙায় ভোটকীদমক মী হাৎনখিবা ময়াম লৈখ্রে। কাপ্নরমদাইদা লৌখৎখ্রবদি মীদু শিজরো হায়বনিনে, লোন্না লাইসেন্স পায়দবশিংনা কাপ্পা নুংঙাইনবনি। লাইসেন্স পায়দবা পুলিস মচা-মচাশিংসিনা হেন্না ৱাখল তাবা, ৱাখল ফাথবসু ঙম্বা মালহল্লি। লাইসেন্স পীখ্রিবশিংদু লানবা য়াওখ্রে খঙলকপা ওইরম্বসু য়ারিবনি। ভোট মমাঙদদি ভোটকা মরী লৈনদ্রবসু নোংমৈ লৈবশিংদু শিবা শোয়দনা য়াওরনি, নোংমৈদু লৈত্রদি কনানা কনবীগদৌরি। শা উচেক কাপ্পসু য়াদ্রবা, খৎনরমদাইদা দুম লৌখৎকদৌবা নোংমৈসি শেল চাবা য়ানবা লাইসেন্স পীবদা তারক্লি। নাকল অমদনা 'নখোয়দি ৱাখল তাদে, ঐতনি ৱাখল তারিবসি' হায়বগুম্বনি। লাইসেন্স য়াওদবা বোমদি অদুমক মরাং কায়রি। নোংমৈসু ভোটকী লিলাদা য়াওশিল্লি।

করি হায়জিল্লগা প্রেস কৌসিগে, করি তৌরগা ভিদিও কাপহনসিগে হায়বা ময়ামসি ভোট লেপ্পশিংগী কোক্তা লৈরবা মেমোরি কার্দ অমদুম মাল্লক্লবনি। ঐখোয় লৈকায়গী মী খৎনবদু গুৱাহাটিগী পাউদকক য়াওরকপদুদি পঙনুংদা নুংঙাই। হৈ-রা য়েনবা, ফি য়েনবা, ফি শানবা কোল য়েনবা, তুনবা মেছিন য়েনবা, অনাবা থিরগা শেল পীবা, ময়ূম শাবীবা ময়ামসি তৌরিবা মীদু অফবনি হায়উ হায়রিব্রা, অফবা শারিব্রা টি ভিদা য়েংবদদি শঙবা ঙমদে। শেল য়েল্লিসিসু অফবনি হায়উ হায়বগীরা অফবনিংং হায়রল্লগা ভোটতু পীদবা ময়াম য়াওরিবনি। শেল পীরগা ভোট পী হায়বসি শুকয়া য়াদবা ৱানি, শেল য়াম্না হেয়া পীবদা ভোট পীনি হায়বসু লাল্লি। মী অনীগী শেল লৌবসু য়াওই হায়নরিবসি ওইরবদি তত্থায় অমদি শেল লৌরসু ভোট পীদে হায়বনি। শেল লৌবা ভোট পীদবা য়াওই হায়বসি হায়ববু য়াবা নত্তেদা। মী চাত্রেৎ লৈবদা মী অনীগী শেল য়েল্লবদি মী চাত্রেৎমক শেল লৌরগা ভোট পীদবদা য়াওগদৌরিবনি। শেল লৌরগা ভোট পী হায়বদসু মী চাত্রেৎমক য়াওফম থোক্লিবনি। মসিগী অঙ্ক অসিবু স্কুলদা হোৎপা য়াবা অঙ্করা? ভোট মফমদদি কয়া হোৎনবা অঙ্কনি, অঙ্কগা ভোট কাবগা শম্নবা নত্তে, অঙ্কগা ফলগাসু শম্নবা নত্তে। ফল অদুনা মী ময়াম্নী খৃত্তা লৈবা, ৱাখল নুংঙাইনবা পংহোত্তা হোৎনবগী ৱাতনি, ৱার্কর মায়বা হোৎপসু য়াওরম্নি, অঙ্কদু হৈরদি ভোটতু তৌদ্রসু য়াগদ্রাও? ভোট মমাঙদা ফল তাবা ঙম্বা অঙ্ক নত্তে, লিলাগী অঙ্ক হায়রিসিনি। মখোয়না তৌবা থবকসিদি, শেল য়েল্লিবসি ঙানি-ঈশিংনি খঙবা নত্তে, লোক্তাক্তা ঙা মচা থাদবগুম্বনি হায়নরিসিনি। হাৎপা যাবা শেলনি।

চীংদদি চাওখৎলেদা, য়ূমথোঙগী শেল য়েনবসি চৎনদে হায়বসু লৈ। শেলদি অদুম চঙবা তাবনি। ফি-রোল বোড়া-বোড়া হোনজিনবা উখ্রে, গাড়ী চঙবা য়াদবা মফমদা শন্দং অমা হাৎলবদি ভোট লোইরে হায়না লৌববু য়ারে হায়নরিবনি। অদুসু মুন্না থিজিল্লগদি মশাগী শেল নত্তে, গভর্ণমেন্টনা থাদরকখিবনি হায়বসু য়াওনরিবনি। ভোট কারগা লোইরে, খুলগী শেমগৎপা ঙমদ্রসু তম্পাক্তা লম লৈশিল্লগা লৈবসু কয়া য়াম্লবনো খঙবা নৎত্রি। হৌজিকপুদি ইখঙ খঙনরে, ৱাদি শেলগী হেক্তা ওইরম্মী। লৈবাক্কী খঙদে হায়বসি মফম খুদিং ইমান মান্নে, মাগী মাগী হায়বসিদা মী-লাই কিনবা নত্তে। শেলসি পঙহাত্তা হাৎনবীনি।

ইলেক্সন অমা তৌবা তারবদি মী অনৌবা খরসু থোক্লকপা মশানা তাবনি। কুম পুরবা হনুবশিংনা চৌক্রি কোনশিল্লগা নহা কয়া মখুৎ পুনশিল্লগা থম্বসি য়ানরক্ত্রে, ফজবসু নত্তে। খাম্বদি লৈতে, নহা শেল পায়দবশিংনা লেপ্পা ঙমজদবগী ৱাতনি। হন্দক্তি মঙক কনবা মাল্লবসু নহা ময়াম অমা ভোট লেপকনি হায়রে। শেল য়েল্লবসু য়েন্দ্রবসু ভোট অদুদি নহাশিং অসিদা কোক পীবসু য়াবনি। ভোটতা শেল য়েনবা হায়বসি লোনা য়াবা নত্তে, হাৎলবসু য়াবা শেলনি, হাৎনরিবনি, হাত্তবা শারগা ভোট পীশিনবদগীদি শেলনা ভোট কাবা হেক্তা মানখি। ভোট কাহল্লিবসিদি শেলনসু নত্তে, মীদু ফবগীসু নত্তে, শাগৈ চাউবগীসু নত্তে, লৈঙাক হৈবগীসু মান্দে, লিলা হৈবগীনি। লিলা হৈতবশিংনা ভোট কাবগী ৱাসিমা ওইদ্রবা ৱানি। লৈঙাক্লোন হৈবদগীদি লিলা হৈবনা হেন্না মরু ওইরকই। নহাশিংদি লিলা হৈবসি খরা ৱাৎকনি খল্লি অদুবু মীয়ামসিনা মী অনৌবা খল্লগা লোইবা ৱানি। অনৌবা মওং অমা য়েংনীংদ্রিবসি মীয়াম অসিননি, ভোট লেপ্লিবশিংনা নত্তে। ভোট হৈত্রিবসি মীয়ামদা পোপ হেক্তা তারকই। মীয়াম্নদি ভোট লেপ্লিবা খরদা পংতায়দা তায়নগনি, খরা অমদি মীয়ামসি শিংহনবা য়াদে হায়বসু য়াওরিবনি। মানা মানা ফরে খনবদুনা ফরবোইদা খনবা, নহাদা শিন্নগেরা লৈবাক্কী খনগেরা অমা হায়রুবদা য়াগন্দ্রিবসি পার্টিদা হকচিনবশিং খরতনি। মী অয়াম্বা পার্টিসু হোংবা, মীসু হোংবা ময়াম অমা পাউচেদা, টি ভিদা উৎনরক্লিবা অসিমঙায়, হোংদবা লৈবা নত্তে, পংহোংদা হোংনরিবা অসিমঙায়। পার্টিগী ৱাবু কৈদৌই হায়বগে, অয়ূক চাকচামাং অমদা মঙারক হোংবা য়াবসিবু। হোংঙরোই হায়বগী শুকহোং হোংদবা পার্টি অমদা পৎলগা লৈবসু য়াওনরিবনি। পার্টি হোংববু কৈদৌই হায়বগে হোংনরিবা অসিমঙায়, হোংবা ঙমজদ্রগা পৎচবা মশানা তাবনি। পার্টি হোংবা মীহুৎশিংসিবু হোংবা হোংদবা হায়বদুনা মীয়াম্না তৌগদৌবদা মীওই খরদতং ইন্থোক্লগা য়েন কাওনবগুম কাওনদুনা লৈবগুম্বনি। য়েন য়োনবগুম য়োন্থোকপা ঙমদ্রবদি মরূম কোকপীদুসু কোকপা লেপ্পা য়াওরক্কদৌরিবনি।

মীরেপ খুদিংমক্কী শেল লৌগনি খনবসি লৈবাক মুৎনবা শিল্লিবনি। অদুনবু লৈবাক কয়া মুৎখ্রবনি, মখোয়না লৈবাক শেম্বা ঙম্বা নত্তে। লৈবাক অমা ওইনা হিংবা হিংদবা হায়বদুদি ইলেক্সন তৌবগী ভোট লেপ্লিবা মীওই খরনা তৌবা ঙম্বা থবক নৎত্রে হায়বসি খঙনরবনি। থুম, থাও খরা য়েনবা, লম্বী খরা শেম্বা, খোংবান খরা তেংবসিনা লৈবাক শেম্বনি হায়রবদি ভোট লেপত্রবসু য়াবা ৱাসিবু। অদুনবু ভোট হায়রিবসি মখোয় খরগী করবার ওইনরকইবনি, লিলা মানবমখৈ লৈবাক্কীনি হায়না লাউরিবসু মখোয় খরতনা লাউবনি। লৈবাকসু খঙদবা, লৈঙাকসু খঙদবা ময়াম খুঙ্গংদা লৈরিবসি ভোট ময়াদতা মাইক্তা লাউরকান্দা তাবগী ৱাতনি। মচা মশু খরনা মখোয়বুসু য়োল্লগা চারিবনি। লৈবাক লৈরিব্রা, লৈঙাক লৈরিব্রা মখোয়দি করিসু খঙববু মান্দে। লিলা অসিবু লৈবাক্কী মান্নবা লাওরিবসিসু মেলা শারে হায়বসু য়াওরিবনি। মেলারা, লিলারা শুমাং কুম্মৈ হায়রিবসি মাল্লবনি শুমাং লিলাদা ময়াম য়াওরবনি, ইমান মান্নে, চপ্পু মান্নেদা।

মিৎয়েং মিৎয়েংদুগী ৱানি, অসুম্না য়েংবসু য়াই হায়বদুনি। মিৎয়েং অসি লাল্লি হায়রিবশিংনা করিবু তৌবা ঙম্লিবগে? অফবা শাবশিংনা অফবা করিসু তৌবা ঙম্নদ্রে হায়বা তারক্লি। করিবুনো অফবা হায়বদি? মদুনা হেন্না খঙজখিদ্রে।

তম্বগী লোইবা নাইবদি নত্তে, করিনো অমদি তমশিনবা ৱাৎলিব্রা খলহল্লি। মদুবু কৌদৌঙৈকা হৌবা য়াগদৌরিবনো খঙবা পাম্লকপসু ফাওরকই। ইদোম ঙাওজনবদি লিলা মানবা ঙম্লক্তে। ভোটতি কনাদনো অমদি পীবা তারি, খনফম খঙদ্রি।

লিলা পার্টিশিংসু শেম-শাবা লোইদ্রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লবা মরী লৈনদে।